# ৩শুবা মণিপুর ষ্টেটহুদ দে ব্রুমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট
## মণিপুরগী টিম অনি কেনিয়া অমদি অষ্ট্রেলিয়াগী খুৎতা মায়থিহৌরে




ইম্ফাল, জনুৱারি ১৭ঃ
মণিপুর সরকারগী টুরিজম দিপার্টমেন্টনা শিল্লগা ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসন (অম্পা)না টেক্নিকেল সপ্পোর্ট পিরগা লৈবাক ৪গী টিম ৬না পুল ২ থোক্না খায়দোক্তুনা ঙসিদগী মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ৩শুবা মণিপুর ষ্টেটহুদ দে ব্রুমেন্স পোলো টুর্নামেন্টদা ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ারিবা মণিপুর মার্জিং অমদি মণিপুর থাংজিং টিম অনিমক কেনিয়া অমদি অষ্ট্রেলিয়াগী খুৎতা মায়থিহৌরে। য়ু এস এ, অষ্ট্রেলিয়া অমদি কেনিয়া লৈবাক অহুমগী টিম অমমম অমদি ইন্দিয়াগী রিপ্রেজেন্ট ওইনা ইন্দিয়ান পোলো এসোসিয়েসন (আই পি এ)গী টিম ১ অমসুং মণিপুরগী টিম ২ মণিপুর (মার্জিং), মরিপুর (থাংজিং) পুন্না টিম ৬না লীগ রাউন্দদা লম্বা থেংনরিবা টুর্নামেন্টগী হৌদোকপা মেটচ ওইনা কেনিয়া অমদি মণিপুর (থাংজিং) টিম অনিনা লম্বা তৌনবদা কেনিয়ানা পানজল ৫–২দা মণিপুর (থাংজিং)বু মায়থিবা পিরমখি।
মেটচ অদুদা মায় পাক্লবা কেনিয়াগী পানজল টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৪ টিভা গ্রোসনা অহানবা চক্করগী মিনট ১.৪৯ অমদি অহুমশুবা চক্করগী মিনট ১.১২তা পানজল ২, জর্সি নম্বর ১ ইমোগেন ভুরস্পুইনা অনিশুবা চক্করগী মিনট ৫.০০দা পানজল ১, জর্সি নম্বর ২ রোব্রেন ষ্টিচবুরিনা অহুমশুবা চক্করগী মিনট ৩.০০দা পানজল ১ অমদি জর্সি নম্বর ৩ নিক্কি বার্লোনা মরিশুবা চক্করগী মিনট ৩.৩২দা পানজল ১গা চনখি।
মায়থিহৌরবা মণিপুর থাংজিংগী পানজল ২ টি অসিগী জর্সি নম্বর ৩ টিম কেপ্তেন খুন্দোংবম হবেনা অহানবা চক্করগী মিনট ৭.২০দা পানজল ১ অমদি জজর্সি নম্বর ১ থৌদাম তানানা অনিশুবা চক্করগী মিনট ৪.২৯দা পানজল ১গা চনখি।
ঙসিগী অনিশুবা মেটচতনা অষ্ট্রেলিয়া অমদি মণিপুর (মার্জিং) টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা অষ্ট্রেলিয়ানা পানজল ৬–২দা থোইখ্রে।
মেটচ অদুদা অষ্ট্রেলিয়াগী পানজল টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৩ টিম কেপ্তেন বিল্লি মস্কার্টনা অহানবা চক্করগী মিনট ৩.০০, অনিশুবা চক্করগী মিনট ১.২৮, অহুমশুবা চক্করগী মিনট ২.৪৯ অমদি মরিশুবা চক্করগী ১.০৫তা পুন্না পানজল ৪, জর্সি নম্বর ১ ইন্দিয়ানা বেন্নেতোনা অহানবা চক্করগী মিনট ৪.৪৮দা পানজল ১ অমদি জর্সি নম্বর ২ হ্বাইৎনি ব্রারেন্না অনিশুবা চক্করগী মিনট ৭.১০দা পানজল ১ চন্দুনা টিম অসিগী অপুনবা পানজল ৬ চন্দুনা মেটচ অদু মায় পাকখি।
মেটচ অদুদা মায়থিহৌরবা মণিপুর (মার্জিং)গী পানজল ২ অদু টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৩ এন অসাকিরননা অহুমশুবা চক্করগী মিনট ৫.৩০দা পানজল ১ অমদি জর্সি নম্বর ২ সলাম সুমিতানা মরিশুবা চক্করগী মিনট ৪.০০দা পানজল ১গা চনখি।
ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনিমক্তা য়ু এস এগী ওলিভিয়া ষ্ট্রিঙ্গর অমদি অষ্ট্রেলিয়াগী ক্লো ব্রারেন অনিনা মাউন্টেদ অম্প্যার ওইনা কন্দক তৌখি।
টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং অহানবা মেটচতা আই পি এগা মণিপুর (থাংজিং)গা অমদি অনিশুবা মেটচতা য়ু এস এগা মণিপুর (মার্জিং)গা লম্বা তৌনদুনা শান্নরগনি।

# ১২শুবা খাগেম্বা ফুটবোল ট্রোফি ২০১৭
## এল টি ফৈদিঙ্গা, ৱাঙ্গোই এফ সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ১৭ঃ
ক্যামগে য়ুথ পাইয়োনির ক্লব (কে ৱাই পি সি)না শিন্দুনা ফুটবোল টিম ১৭না শরুক য়াদুনা নোক আউৎ বেসিসতা ঙরাংদগী ক্যামগে হৈবোং মখোংদা চথরিবা ১২শুবা খাগেম্বা ফুটবোল ট্রোফি ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এল টি ফৈদিঙ্গানা এম সি নম্বোলবু গোল ২–১দা অমদি অনিশুবা মেটচতা ৱাঙ্গোই এফ সিনা আই পি এস এফ সি (বি)বু গোল ৩–১দা থোইখ্রে।
ঙসিগী অহানবা মেটচতা মায় পাক্লবা এল টি ফৈদিঙ্গাগী অহানবা গোল প্রেমকুমারনা মেটচকী মিনট ১১ চৎপদা অমদি অনিশুবা গোলনা অনন্দনা মেটচকী মিনট ২৪ চৎপদা চনখি।
মেটচ অদুদা মায়থিহৌরবা এম সি নম্বোলগী অমত্তা ঙাঃরবা গোল ই রামজাননা মেটচকী ৮শুবা মিনটতা চনখি।
ঙ অনিশুবা মেটচতা মায় পাকখ্রবা ৱাঙ্গোই এপ সিগী গোল রোহিলনা মেটচকী মিনট ২৪দা গোল ১, দয়ানন্দনা অহানবা হাল্ফকী এদিস্নেল টাইমদা গোল ১ অমদি অঙৌসনানা মিনট ৩২ চৎপদা গোল ১গা চনখি।
মেটচ অদুদা মায়থিহৌরবা আই পি এস এফ সি (বি)গী অমত্তা ঙাঃরবা গোল পিট্টরনা মেটচকী ২৭শুবা মিনটতা চনখি।

# ৮ শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সেনিয়ার মেন নেস্নেল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮
## (বি দিভিজন)গী সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৭ঃ
ইন্দিয়া হোক্কিগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর হোক্কিনা শিন্দুনা টিম ৩২না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ৭তগী হৌদুনা খুমন লম্পাক হোক্কি ষ্টদিয়মদা চথরিবা ৮শুবা ইন্দিয়া হোক্কি সেনিয়ার মেন নেস্নেল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ (বি দিভিজন)গী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচশিংদা সেন্ত্রেল সেক্রেট্রিয়েট, কনারা বেঙ্ক, পনজাব বেঙ্ক অমদি বেঙ্গলুরু হোক্কি এসোসিয়েসন মায় পাকখ্রে। সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে।
ঙসি অহানবা শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদা সেন্ত্রেল সেক্রেট্রিয়েট অমদি হোক্কি কুর্গ টিম অনিনা লম্বা তৌনবদা সেন্ত্রেল সেক্রেট্রিয়েটনা গোল ৪–২দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চংবা ঙমখ্রে।
অনিশুবা মেটচতা কনারা বেঙ্ক অমদি দেলি হোক্কি টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা কনারা বেঙ্কনা গোল ৪–১দা মায় পাকখ্রে।
অহুমশুবা মেটচতা ফুথ কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়া অমদি পনজাব নেস্নেল বেঙ্ক টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা পনজাব নেস্নেল বেঙ্কনা গোল ৬–৩দা মায় পাকখি।
মরিশুবা মেটচতা হোক্কি য়ুনিৎ ওফ তামিল নাদু অমদি বেঙ্গলুরু হোক্কি এসোসিয়েসন টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা গোল ২–১দা বেঙ্গলুরু হোক্কি এসোসিয়েসন মায় পাকখ্রে।

# অহানবা হৈবোক টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৮
## ত্রাউ ক্বাকৈথেল, ৱাই দব্লিউ সি পাৎসোই মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ১৭ঃ
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা লংথবাল স্পোর্টিং ক্লব লংথবালনা শিন্দুনা টিম ২১না শরুক য়াদুনা লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা হৈবোক টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ত্রাউ ক্বাকৈথেলনা পি টি আর সিবু রন ৪১দা অমদি অনিশুবা মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি পাৎসোইনা ৱাই এ সি য়াইস্কুলবু রন ৫১দা থোইখ্রে।
ত্রাউ ক্বাকৈথেলগা পি টি আর সি পাৎসোইগা শান্নখিবা ঙসিগী অহানবা মেটচতা ত্রাউনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হান্না খনবগা লোয়ননা অপিবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৬ তুরবা রন ১৫১ স্কোর তৌদুনা মেটচ অদু মায় পাকখি।
স্কোর তৌখিবা রনগী মনুংদা সহাদৎনা বোল ৫০দা রন ৫২, সরোজনা বোল ৩০দা রন ২৯ অবুস অলিনা বোল ১১দা রন ২৫ লৌবা ঙমখি।
বোল্লিং তৌখিবা পি টি আর সিগী দিপুনা ৱিকেট ৩, বিশ্বরজিৎনা ৱিকেট ২ অমদি আর কে রেক্সনা ৱিকেট ১ লৌখি।
অনিশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা পি টি আর সিনা অপিবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১১০ খক্তমক স্কোর তৌবদগী মেটচ অদু মায়থিহৌখি।
স্কোর তৌখিবা রনগী মনুংদা সৌরবনা বোল ৩৫দা রন ৩৪, বিদাসনা বোল ১২দা রন ১৩ অমদি জোহনিনা বোল ১৪দা রন ১৩ লৌবা ঙমখি।
বোল্লিং তৌখিবা ত্রাউগী সরোজনা ৱিকেট ৩, পঙ্কজ পান্দেনা ৱিকেট ৩, জোতিসনা ৱিকেট১ অমদি অবুস অলিনা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।
মেটচ অদুদা রন ২৯ চেনবগা লোয়ননা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখিবা ত্রাউগী সরোজনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।
ঙসিগী অনিশুবা মেটচতা ৱাই এ সি য়াইস্কুলগা ৱাই দব্লিউ সি পাৎসোইগা শান্নবদা তোচ ৱাই দব্লিউ সিনা ঙমদুনা অপিবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১২৩ স্কোর তৌখি।
স্কোর তৌখিবা রনগী মনুংদা অমর্জিৎনা রন ৪০, উজালনা রন ২৩ অমদি সুর্জিৎনা রন ৯ লৌবা ঙমখি।
বোল্লিং তৌখিবা ৱাই এ সিগী এমসননা ৱিকেট ১, রাকেসনা ৱিকেট ১ অমদি জয়চন্দ্রনা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।
অনিশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ৱাই এ সিনা অপিবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ৭২ স্কোর তৌবা ঙমখি।
স্কোর তৌখিবা রনগী মনুংদা টিঐচ রাকেসনা রন ১০, নিরনজিৎনা রন ১০ অমদি জয়চন্দ্রনা রন ১০ লৌবা ঙমখি।
বোল্লিং তৌখিবা ৱাই দব্লিউ সিগী উজালনা ৱিকেট ২, নাওবনা ৱিকেট ১ অমদি মোতিলালনা ৱিকেট ২ লৌবা ঙমখি।
মেটচ অদুদা বোল ৪৯দা রন ৪০ চেনবা ঙমখিবা ৱাই দব্লিউ সি পাৎসোইগী অমর্জিৎনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।
টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা অহানবা মেটচতা মোদেল ক্লব চিংঙামখাগা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওগা অমদি অনিশুবা মেটচতা টি সি এম দি সি থোংজুগা সাইক্লোন থাংমৈবন্দগা লাম্বা তৌনদুনা শান্নরগনি।

# ২৯শুবা লংথবাল কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৭ঃ
চজিং ইনাৎ কনবা লুপনা শিন্দুনা টিম ১২না গ্রুপ ৪ থোক্না খায়দোক্তুনা চজিং কাংজৈবুংদা চথরিবা ২৯শুবা লংথবাল কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এল ৱাই এস এস য়ু লিলোংনা এল কে ঐচ ৱাই সি লংথবাল চিংখাবু গোল ৫–১দা থোইখ্রে।
ঙসিগী মেটচ অদুদা এল ৱাই এস এস য়ুগী গোল বোরিসনা মেটচকী মিনট ৮, ৩২ অমদি ৫৭তা গোল ৩, অর্বিননা মিনট ১১দা ১ অমদি কৃষ্ণদাসনা মিনট ৫৩ দা গোল ১গা চন্দুনা অপুনবা গোল ৫দা মেটচ অদু মায় পাকখি।
মায়থিহৌরবা এল কে ঐচ ৱাই সিগী অমত্তা ঙাঃরবা গোল অদুনা মেটচ অদুগী মিনট ১৯ চৎপদা সিনবিনলুংনা চনখি।
টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা মেটচ অমদা এম আর সি মাইরেনখোঙগা সি দব্লিউ সি এম এল মখাগা লম্বা তৌনরগনি।

# ওয়ামা কপ –২০১৮
## এসিয়ান করাটি চেম্পিন্সিপ

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৭ঃ
থা অসিগী তাং ২৬তগী ২৮ ফাওবা কলিঘাট বয়াম সমিটি, কোলকাতা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওয়ামা কপ –২০১৮ এসিয়ান করাটি চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুর কম ইৎনদয়ান টিমগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং খনখ্রে।
শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং অদুদি– চবুংবম নোংশামৈ, থিংঙোম খেমী দেবী, লাইরিকয়েংবম চেংলৌহেনবা রোই, নিটিস লাইতোঞ্জম, এম দি নৱাজ শারিফ ফিসাবম, থাংমিনলেন খোঙসাই, নাওরেম ধনরাজ মৈতৈ, ৱাইখোম সান্তা সিংহ, থিংঙোম নিরঞ্জন সিংহ, নিংথৌজম সঞ্জয় মৈতৈ, ময়াংময়ুম ইমরান, তখেলাংবম সিকেন মৈতৈ, এম দি সফিরুদ্দিন নি।
ওফিসিয়েলশিংদি সিহন সি ঐচ প্রেমচন্দ্র সিংহ (টিম কোচ কম ওফিসিয়েল) অমদি লাইরিকয়েংবম গমভির রোই (টিম মেনেজর) নি।

# জেনরেল কনফরেন্স কম স্পোর্টস মিটতা কন্দক্ট তৌগদবা রেফরিশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৭ঃ
থা অসিগী ১৯দগী ৩০ ফাওবা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লাহো লৈঙাঙচং ভিলেজদা পাঙথোক্কদৌরিবা টিএকেএল ৩১শুবা জেনরেল কনফরেন্স কম স্পোর্টস মিটতা কন্দক্ট তৌগদবা রেফরিশিং ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী রেফরি বোর্দনা মিটিং তৌদুনা খনখ্রে।
খল্লবা রেফরিশিং অদুদি– এন জিতেন সিংহ (নেসনেল রেফরি), টি ঐচ ব্রজকিশ্বর সিংহ (নেসনেল রেফরি), কে ঐচ রাম সিংহ (নেসনেল রেফরি), সি ঐচ সনাজাওবা সিংহ (নেসনেল রেফরি), সি ঐচ মংলেম্বা সিংহ (নেসনেল রেফরি), কে ঐচ সরত সিংহ (ষ্টেট রেফরি) অমদি এস সংগ্রিথন (ষ্টেট রেফরি) নি।
খল্লবা রেফরিশিংনা ওর্গনাইজিং সেক্রেটরী, সাউথ তাংখুল ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়নদা লাক্তুনা অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসন, ইম্ফালগী জেনরেল সেক্রেটরী এন জি ইনাওচা সিংহনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না খঙহল্লক্লি।

# য়ৈথোক্লুরবা ৬১শুবা সি সি মিট ২০১৭ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৭ঃ
খুদোংচাদবা খরদগী য়ৈথোক্তুনলা লাক্লবা ৬১শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ কেসিএসআই, সিবিই মেমোরিয়েল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ চহি অসিগী ফেব্রুৱারি তাং ৭ তগী পাঙথোকলগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল বোদি মিটিং পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৭ঃ
চহি অসিগী ফেব্রুৱারিগী তাং ১১ গী অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মিটিং হোলদা ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী ওইবা জেনরেল বোদি মিটিং পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ষ্টেট অর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭–১৮



ইম্ফাল, জনুৱারি ১৭ঃ
ইম্ফালগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা ৩২শুবা সব–জুনিয়র (ইন্দিয়ান রাউন্দ /রিকর্ব অমসুং কম্পাউন্দ) ষ্টেট অর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭–১৮কী ঙসি পাঙথোকপা তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংগী ইন্দিয়ান রাউন্দ গার্লস মিষ্টর ৪০গীদা বিসিএসি য়ুনিটকী কে ঐচ মালেমঙাম্বীনা স্কোর ৩২৫ (এক্স–২, ১০–৯) ফঙদুনা অহানবা পোজিসন, য়ুনিট অসিমক্কী দব্লিউ মালেশ্বরিনা স্কোর ৩২৫ (এক্স–২, ১০–৬) ফঙদুনা অনীশুবা পোজিসন অমদি ৱাই এ সি য়ুনিটকী এল তোমথিনঙাম্বীনা স্কোর ৩২৩ ফঙদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।
ইন্দিয়ানা রাউন্দ গার্লস মিটর ৩০গী কেতেগোরিদা বিসিএসি য়ুনিটকী দব্লিউ মালেশ্বরিনা স্কোর ৩৩৮, কে ঐচ মালেঙাম্বীনা স্কোর ৩২০ অমদি আই অবেসনানা স্কোর ৩১৯ ফঙদুনা মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসন তাখি।
ইন্দিভিজ্যুএল ইন্দিয়ান রাউন্দ গার্লসকী কেতেগোরিদা বিসিএসিগী আই অবেসানা না স্কোর ৬ ফঙদুনা অহানবা পোজিসন তাখি।
ইন্দিভিজ্যুএল রাউন্স বোইজ মিটর ৪০গী কেতেগোরিদা বিসিএসি য়ুনিটকী সি ঐচ বোরিসনা স্কের ৩৩৬ ফঙদুনা অহানবা পোজিসন, ৱাই এ সি য়ুনিটকী কৈশাম বোরিস না স্কোর ৩৩৪ ফঙদুনা অনীশুবা পোজিসন অমদি বিসিএসি য়ুনিটকী টি ঐচ হেল্লরনা স্কোর ৩৩৩ ফঙদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।
ইন্দিভিজ্যুএল রাউন্দ বোইজ মিটর ৩০গী কেতেগোরিদা বিসিএসি য়ুনিটকী টি ঐচ হেল্লরনা স্কোর ৩৪০ ফঙদুনা অহানবা পোজিসন, আইটিএসি য়ুনিটকী পি দিনেশ্বরনা স্কোর ৩৩১ ফঙদুনা অনীশুবা পোজিসন অমদি এসএআইআরসি য়নিটকী ই রোবিনসননা স্কোর ৩২৯ ফঙদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।
ইন্দিভিজ্যুএল ইন্দিয়ান রাউন্দ বোইজদা ৱাইএসি য়ুনিটকী কে বোরিসনা স্কোর ৬ ফঙদুনা অহানবা পোজিসন তাখি।

# ২৭শুবা কেসি মাল্লিক মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট
## চিরু এসসিনা ইচেল দিবোংবু মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ১৭ঃ
ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এজেএসএ) জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দা টিম ১৪ না শরুক য়াদুনা চথরক্লিবা ২৭শুবা কেসি মাল্লিক মেমোরিয়েল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮গী ক্বার্টর ফাইনেলগী ১০ শুবা রাউন্দদা চিরু এস সি বু ইচেল ক্লব দিবোং টিমনা গোল ২–১ মায়থিবা পীখ্রে।
ঙসি শান্নখিবা প্রিলিমিনরি ক্বার্টর ফাইনেলগী ১০শুবা রাউন্দ মেটচ অসিদা চিরু এস সি অমদি ইচেল ক্লব দিবোং টিম অনীনা শান্নখি। দিবোং ইচেল ক্লবনা তোচ ঙমদুনা মাইকৈ খনখি অদুগা চিরু এস সিনা বোল কাওবা হৌখি।
চিরু এস সি টিমগী শান্নরোই জমিনলিয়ননা ৬শুবা মিনটতা গোল ১ চন্দুনা একাউন্ট হাংদোকখি।
অহানবা হাল্ফ মমাংদা চিরু এস সি না ইচেল ক্লব টিমদগী ১–০ দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।
অনীশুবা হাল্ফ মতুংদা চিরু এসসি গী টিমনা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি। ইচেল ক্লবকী শান্নরোই ফিলিপ হমরনা ৭০শুবা মিনট অমদি ৭৪শুবা মিনটতা গোল ২ চন্দুনা চিরু এসসিবু মায়থিবা পীখি।
ঙসিগী মেটচ অদুদা অজিজ হায়দর ভি জোয়েল ভোল্ট, এস রাজেস অমদি ই তোমচৌনা সেন্টর রেফরি, এ আর ১, এ আর ২ অমদি ফোর্থ রেফরি ওইখি।
টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেটচ ওইনা হয়েংগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা পিএসজি লোংগ্রেজন অমদি মোঙ্গোলোইদ ক্লব হমরখোলিয়ন অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা থা অসিগী ১৯ দা ইচেল ক্লব দিবোং অমদি ঐচ ৱাই সি হমরখোলিয়নগা শান্নরগনি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com